


হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভকী এগজামদা মায় পাক্লকপা মহৈরোয়শিংবু মোইরাং এ সীগী এম এল এ থোঙাম শান্তিনা পূক্লিং থৌগৎলদুনা সর্টিফিকেট অমদি শেলগী মনা খুৎশিন্নখিবা



দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী অথৌবশিংগী নুমীৎ অমদি ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা বিরমঙ্গল কোলেজদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভল বেষ্ট ফিজিক কম্পিটিসনদা শরুক য়ারদুনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা



মণিপুরদা চৎনহনবা আই এল পি সিষ্টম ময়া য়াওদ্রবা কৈ অমগা পাঙ্থক ওইরে, মপাদগী চঙলকপা মীতোপশিং চেকশিন্না য়েংশিনবগী মথৌ তারে হায়না জে সী আই এল পি এস জিরিবাম ব্রাঞ্চকী কো-কনভিনরনা ফোঙদোকখিবা



এম য়ুগী স্পোন্সরশিপ মখাদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লো দিপার্টমেন্টনা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী কম্প্যুটর সাইন্স দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা সাইবর ক্রাইমস ইন মণিপুর হায়বা এব্রেয়র্নেস পাঙথোকখিবা

## এন আর সীগীদমক তকশিন্নবা অমদি পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংনবা লৌখিবা ৱারেপ থবক্তা ওন্থোকপীয়ু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী অনীশুবা সেসনদা এন আর সীগীদমক তকশিন্নবা অমদি পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংনবা লৌখিবা ৱারেপ মহৈরোয় লূপ তরুকনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না এমসু, এইমস, দেসাম, এম এস এফ, কে এস এ অমদি সুককী প্রসিদেন্টশিংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী ৱাংমা অমদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা লমদম অসিদা ঈশিং-ঈচাউগুম নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপনা মীশিং য়ামজদ্রবা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা শিংনবা অমা মতম শাংনা ওইদুনা লাক্লি। মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিংনা লৈঙাক্লোন্দা, শেন মীৎলোনদা, শক্তমদা শিংনদুনা অমদি লমগী মপু ওইশিনখিদুনা মশীং য়ামজদ্রবা য়েলহৌ-ফুরুপশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি। হায়রিবা শিংনবশিং অসিদগী কঞ্জনবা ঈহৌ, খোঙজং কয়াসু লিশাং-শিংনা চঙশিন দুনসু লাক্লি। লমদম অসিগী মশীং য়ামজদ্রবা য়েলহৌ-ফুরুপশিংগী তুংগী লাইবক লেপ্পবগীদমক মাঙলমচৎতগী ঈহৌ, খোঙজং কয়া চথবগী মখা তারকপা ওইনা ইরমদম অসিগী মহৈরোয় লূপ তরুক অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মণিপুরদা এন আর সী তৌবীদুনা কয়া য়াম্না ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরে হায়বদু খঙদোকপীয়ু হায়না তান্দুনা লাকপা দিমান্দ অদু মরম চাই খনবীদুনা হন্দক্কী এসেম্বলীদা হাউসনা এন আর সী চৎনহন্নবা তকশিনগনি অমদি মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংখৎলগনি হায়না ৱারেপ লৌবীরকখিবা অদু য়াম্নমক অফবা খোঙথাংনি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংনবা হাউসনা লৌখিবা ৱারেপ অদু ঙসিদগী চয়োল অমগী মনুংদা থবক ওইনা পায়খৎপীনবা হায়জরি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদম অসি বাংলাদেশ, নেপাল অমদি ম্যান্মারগা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অমা ওইরি। মী কুংবগী চাং য়াম্না ৱাংবা বাংলাদেশতগী বাংলাদেশিশিং অৱাং নোংপোক্তা কা হেন্না চঙলকপগী পাউদম কয়াসু লৈরি। লোয়ননা মণিপুরদসু চীংগী লমশিংদা চুনদবা মওংদা মীশিং কা হেন্না হেনগৎলকপা, খুল মশীং খঙহেন হেনগৎলক্লি, ম্যান্মার য়াওনা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী লোগী ৱাংমদা চঙলকপা মীতোপশিংনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরে হায়বগী খুদম চাংদম কয়াসু ফংখিবা লৈরে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লমদমসিদা খুন্দা-লৈতাবা অমদি লল্লোন-ইতিক্কী মিংদা মীশিং য়াম্না থোমজিল্লক্লিবশিং অসি মতম চানা য়েংশিনহৌবা অমদি মশক খঙদোকহৌবা অদুক্কী মতিক মথৌ তাদুনা লাকপনি।

অমরোমদা, মণিপুরদা লৈহৌঙৈদগী লৈরক্লবা য়েলহৌ ফুরুপশিং কঞ্জনবা মতমগা চুনবা থৌরাং থৌশিল কয়াসু মথৌ তাবনা ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসনসু চয়োল অমগী মনুংদা লিংনবা থবক পায়খৎপীবা হৌবীনবা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ৱাইশেন ঈশিং ঈরমগী ফীভম নোংম-নোংমগী ফীভম শোকপা হেনগৎলক্লি : দেবান

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈরিবা ৱাইশেন ঈশিং ঈরমগী ফীভম নোংম-নোংমগী ফীভম শোকপা অসুম হেনগৎলক্লি। হৌজিক নোংজু পন্থা লোইদ্রি, ইঙা-ইঙেনগী মতমনা নোংজুথানি। অদুগা নোংজু পন্থানা মেরাগী ঈচাউ হায়না লৈরিবা সেপ্টেম্বর, ওক্টোবর মতম অসি ফাওবনি। খুৎশেমগী ঈশিং-ঈচাউ থোক্লিবা এ সীশিং অসি কৈশামথোং অমসুং সগোলবন্দনি। অদুবু হৌজিক্তি নাওরিয়া পাখংলাকপসু অমদি ৱাঙ্গোই এ সীগী ইরোম মৈজ্রাওসু ঈশিং থুল্লকপসিদা য়াওরক্লি হায়না ৱাইশেন মরিল শেমগৎপা লূপ, ইম্ফালগী সেক্রেটেরি জেনরেল নাওরেম দেবানগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাইশেন ঈশিং ঈরমগী ফীভম খঙনা পোলিটিক্স তৌরিবশিং অমদি লৈঙাকসিগী মরী লৈনরিবা লোয়শঙশিংগী কম্পিটেন্ট ওথোরিটিশিংনা মমুৎ তানা খঙবীবা চুমগনি। হীরমসিদা মরুওইনা মরী লৈনরিবা লোয়শঙশিংদি ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট অমসুং মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনি। মরকসিদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা অমদি ওইরিবীশিংনা হায়রিবা ঈশিং ঈরমসিগী ভেল্যু নীংথিনা খঙবীদুনা পুকচেল শেংনা হোৎনবীরক্লবদি মীয়াম্না য়াম্না হরাওনগনি।

হৌজিক অচৌবা নোংজু অমা ঙাইদুনা লৈরিবনি অমদি কোভিদকী লাইচৎতা নুমীৎ খূদিংগী অকা-অকুম তৌরিবা মশীং অসিদা মতম পুম্বদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা মশীং হেল্লিবসি করি মরমদগীনো হায়বসিসু অখঙ-অহৈশিং অমদি মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়না চোংথোকপীখিবা অমসুং চোংথোরক্লিবশিংনা মুন্না খন্থফম থোক্লবনি। হৌজিক ফাওবগী মনুংদা মরুওইবা এ সী মরি অসিগী মনুংদা ঈরমসিগী ভেল্যু চুম্না খন্দুনা শেমগৎনিংবা মীয়ামগী মীহুৎ কনাবু য়াওরিবগে। ঈশিং থুল্লক্লগা কোয়চৎ চৎতুনা য়েংবা অমসুং চেঙ, চিনি খরা য়েল্লগা ঈশিং থুম্বা ফগদবা নত্তে। ঈশিং থুমদ্রিঙৈদা ঈশিং চেন্থফম শেংনা শেমহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। শেল্লিবনি হায়দনা শেন্দালফম ওইনবা থবক থৌওংদুদি মীয়াম্না ইরায় লায়না খঙনরক্কনি। মদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবগী মহুৎতা মীয়ামগা য়েক্নবা ওইরক্কনি। ৱাইশেন ঈরমগী মরী লৈনরিবা এ সী কয়াদা লৈরিবা ঈরম নালাশিংবু শেংদোকপীদুনা হোৎনবীরক্লিবা মীপুম খূদিংমকপু শৌগৎকনি হায়রি।

## ১৫শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : য়ুথস ফাউন্দেসন ফোর ফিটনেস এন্দ সর্ভিস (ৱাই ও এফ এফ এস) মণিপুরগী ১৫শুবা ফাউন্দেসন দে লাকপগা ঈরোয়ননা চহী অসিগী হৌখিবা জুন থাদগী হৌনা ৱাই ও এফ এফ এসনা ইরমদম মণিপুরগী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিং অমদি নহা ওইরিবশিংদা অনৌবা ৱাখল্লোন পীবগী থৌরম অমা ওইনা রোল ওফ ষ্টুদেন্টস এন্দ য়ুথস ইন দ সোসাইটি হায়বা থীমদা চথুরকপা থৌরম ঙসি গ্রীন লেন্দ একাদেমী পাওবিতেক্তা ৱাই ও এফ এফ এসকী ১৫শুবা ফাউন্দেসন দেগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না ৱাই ও এফ এফ এসকী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ রমানন্দগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অরাম্বম নোনি অমদি ৱাই ও এফ এফ এসকী ওদিটর অমসুং অমুকোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে সী লাইশ্রমনা মরুওইবা ৱাঙাংলোয় ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## অথৌবশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা চাংদম্নগদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : লাক্লিবা ওগষ্ট ১৩দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা মণিপুরী লৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা খা মণিপুর কোলেজগী ইন্টর্নেল ক্বালিটি এস্যুরেন্স সেলনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা শৈরেং থিবা চাংদম্নবা অমদি এক্সটেম্পোর স্পিছ চাংদম্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না সেল অসিগী কোওর্দিনেটর কে এস ঐচ জয়কুমারগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাঙথোক্কদৌরিবা চাংদম্নবা অসি কোলেজ অসিগী অখন্নবা বেষ্ট প্রক্টিস অমা ওইরিবা পব্লিক কন্ট্রিব্যুসন সেরিজগী অনীশুবা শরুক অমা ওইনা কম্মিস্নার ওফ ইনকম টেক্স, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ন্যু দেল্লী নাওরেম বনিতানা স্পোন্সর তৌরকপনি। সেরিজ অসিগী অহানবা শরুক্তা য়াম্বেম ফর্নিচর ককচিংগী প্রোপ্রাইটর য়াম্বেম সৈত্যনা স্পোন্সর তৌদুনা কুমজা ২০২১দা পাঙথোকখ্রে। সেরিজ অসিগী থবক থৌরমশিং চহী খূদিংগী লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্কনি।

চাংদম্নবা অসিগা লোয়ননা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ১৫দা রিজনল পেট্রিওটিজম থ্রিটস্ দ য়ুনিটি ওফ ইন্দিয়া হায়বা টোপিক্তা পাঙথোকখিবা দিবেটিং কম্পিটিসন অমদি জুলাই ১৮দা নেসনল ইন্টগ্রেসন এন্দ পেট্রিওটিজম হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা কোলেজ অসিনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদসু মনা-মথুম অমদি সর্টিফিকেট খুৎশিন্নবগী থৌরমসু পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ফিজিক কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী পরিং নাইনা চথুরকপা থৌরমগী মনুং চন্না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্না পেট্রিওটিক অমদি ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা বিরমঙ্গল কোলেজ শওন্নুংদা নুপা-নুপীগী ওইবা ষ্টেট লেভেল বেষ্ট ফিজিক কম্পিটিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লম্লাই এ সীগী এম এল এ ওইবদা নত্তনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্‌ট দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী চেয়রমেনসু ওইরিবা কে ঐচ ইবোমচানা চীফ গেষ্ট, বিরমঙ্গল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এ সুরেঞ্জিৎনা প্রসিদেন্ট অমদি দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী জোইন্ট দিরেক্টর টি ওজিৎনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ষ্টেট লেভেল বেষ্ট ফিজিক কম্পিটিসন অদুদা পুন্না পার্টিসিপেট ১৬না শরুক য়াখি। চাংদম্নবা অদু ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিএসন (অম্বা)না কন্দক্ট তৌদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

## মহৈরোয়শিংবু ঙারি চফুদা ঙারি নম্বগা চপ মান্নবা মওংদা লৈবা থেংনরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক)না স্কুল সর্ভেগী মখা চথুরকপা ওইনা চঙাঙ্গৈ অমদি ঘড়ীদা লৈবা স্কুলশিং সর্ভে চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা স্কুল খরদি মহৈরোয়শিংবু ঙারি চফুদা ঙারি নম্বগা চপ মান্নবা মওংদা লৈহৌবা থেংনরে হায়না ফেসোক্কী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ লাইব্রেরী এন রিকেশ মঙাংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোয়শিংবু ঙারি চফুদা নম্বগা চপ মান্নবা মওংদা লৈহৌরিবা স্কুলশিং অদুদি হর্বার্ট স্কুল, কোমেট স্কুল, মেসি স্কুল অমদি এক্সত্রা এজ স্কুলনি হায়রি। চঙাঙ্গৈদা লৈবা হর্বার্ট স্কুলদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা চাউরাক্লা কা খূদিংগী মহৈরোয় ৮০দগী তাদনা ফমহৌবা থেংনরকখি। স্কুল অসিগী ওইনদি ক্লাস তৌবা মতমদা মহৈরোয়শিংনা ক্লাসরুমদা থোইদোক্লা খুদোংচাদবদি ওইহৌদে। অনীশুবদা চঙাঙ্গৈ উচেক্কোন্দা লৈবা কোমেট স্কুলদা কা খূদিংমক্তা চাউরাক্লা মহৈরোয় ৯০ রোম ফম্বা থেংনরকখি। অহুমশুবদা চঙাঙ্গৈদা লৈরিবা মেসি স্কুলদসু স্কুল অসিগী কা খূদিংমক্তা চাউরাক্লা মহৈরোয় ৭০ ফমদুনা একাদেমীক এটমোস্ফিয়র নীংথিজনা লৈহৌবা থেংনরকখি। ঘড়ী অৱাং লৈকায়গী এক্সত্রা এজ স্কুলদা য়েংশিনবা চৎলুবা মতমদা স্কুল ওথোরিটিনা চঙবা য়ারকখিদে। অদুবু ঙাইহাক লৈরগা ফেসোক্কী এগজিক্যুটিভশিংনা স্কুল ওথোরিটিগা ৱারী শানরবা মতুংদা স্কুল অসিগী ওজানা ক্লাসরুমগী ফোটো কাপ্পগা পুথোরকখি। মদুদা কা খূদিংগী চাউরাক্লা মহৈরোয় ১১০গী চাংনা য়াম্না চিন্না ফম্বা থেংনরকখি। স্কুল ওথোরিটিশিংনা মহৈরোয়শিংবু শেল থোকফম খোনি ওইনা উবীগনু। অথুবদা হীরমসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

## ‘মহৈরোয়শিংনা নত্তবা পান্থৈ শীজিন্নবা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : মমা-মপা ফাওবা য়াওনা মহৈরোয়শিংনা নত্তবা পান্থৈ শীজিন্নরকপা লাইবক থীবনি। মহৈরোয়শিংনা নত্তবা পান্থৈ শীজিন্নরগা ফর্ষ্ট তাবা অদুদগীদি য়াম্না চুম্না অখঙবা অদুতং তৌরগা থর্দ তাবনা হেন্না ফৈ হায়না এম এল এ, ও সূর্য্যকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লিকাবম রাধে দেবী ট্রষ্ট, লমদিংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মীথোই মীহেনবা মহৈরোয়শিংদা চহী খূদিংগী পীদুনা লাকপা এৱার্দকী মনুং চন্না প্রোগ্রেসিভ ইংলিস স্কুল লমদিংগী কমপ্লেক্সতা ঙসি ২৪শুবা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এল রাধে দেবী ট্রষ্টকী চেয়রমেন বি নবকিশ্বর শর্ম্মা, এম পি এস সীগী ফোর্মর মেম্বর এল মনাও অমসুং স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুল খোংজোমগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল এন বাবুলিননা থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২২দা মণিপুরগী পুম্বগী ওইনা ১৩শুবা, ১৫শুবা অমদি ১৬শুবা পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিং য়াওনা প্রোগ্রেসিভ ইংলিস স্কুলগী লমদিংগী মকোক মথং তারকখ্রবা মহৈরোয় অহুমদসু মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

## ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা চহী শুদ্রিবা নুপা-নুপীনা য়ুম্বানবগী লম্বীদা খোঙদাবা অমদি চহী শুদ্রিবা অঙাংশিংদা ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোক কয়া হেল্লকপদগী খুন্নাই অসিদা মখল কয়াগী খুদোংচাদবা থোক্লক্তুনা ক্রাইম কয়া থোক্লিবা অসি হন্থহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হৈরোক পার্ট ৱানগী জি পি লাইশ্রম খম্বনা অথোইবা মীথুং, দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর থৌবাল অরাম্বম কামেশ্বরনা অখন্নবা লেংবীরকপা অমদি দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড ওফিসর থৌবাল কোঞ্জেংবম অনিতানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা পোক্সো এক্ত্তা হায়বা হীরমদা এক্সপার্টশিংনা ৱা ঙাংদুনা মীয়ামদা খঙহনখি।

## থবক ওইনা তৌরক্তবগী সোসল বোয়কোট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা উতোংলোক ভিলেজগী ৱাই রেংদোংগী মচানুপা কোরেন (কোইরেং) য়ুথ ওর্গনাইজেসন মণিপুর (কে ৱাই ও-এম)গী ফোর্মর প্রসিদেন্ট ৱাই খুপসোখেল (রোমিও) কোইরেং হায়রিবা মীওই অসি কোইরেংগী মীয়াম হায়বদি খুল-খুলগী খুল্লাকপা, লুকলাকপা, ভিলেজ ওথোরিটি, ক্লব, কোইরেং ত্রাইব ম্যুজিয়ম কম্মিটি, ইন্টলেকচ্যুএল পর্সনশিং, কে ৱাই ও-এম অমদি কোইরেং মীয়ামগী মীফম অমা চহীসিগী হৌখিবা জুলাই ২৩দা পাঙথোক্তুনা য়ানখিবা ৱারেপ অমদি হায়নখিবা ৱাফমশিং মহাক্না ইন্দবা অমদি মহাক্কী মথক্তা থমখিবা থবকশিং হায়খিবা মতমদা থবক ওইনা তৌরক্তবগী সোসল বোয়কোট তৌরে হায়না কে ৱাই ও-এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি আর টি সোনরাং কোইরেংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা মীওই অসি কোইরেংগী ওইবা গভর্ণমেন্টনা পীরকপা থবকশিং মথন্তা তৌবা অমদি কোইরেংগী মীয়াম্বু নমথাক তৌবনা মরম ওইরগা মহাক্কী মথক্তা কোইরেংগী মীয়াম্না সোসল বোয়কোট তৌবনি। মশানা লাল্লে হায়জরক্লিবা ফাওবা অথিংবা অসি থমখিনি হায়রি।

## দি সীনা লুচিংদুনা লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : অথৌবশিংগী নুমীৎ ওগষ্ট ১৩ অমদি ইন্দিপেন্দেন্স দে ওগষ্ট ১৫গী মাঙওইননা ঙসি দেপ্যুটি কম্মিস্নার থৌবাল অহন্থেম সুভাশ, আইএ এসনা লুচিংদুনা থৌবাল দি সী কমপ্লেক্সকী অকোয়বা লম-তূ শেংদোকখ্রে।

লম-তূ শেংদোকপা অদুদা দি সী থৌবালগী কমপ্লেক্সতা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ষ্টাফশিংনা মাগী মাগী ওফিসশিংগী মমাঙদা অমদি অকোয়বদা শেংদোকপগা লোয়ননা মচু শংবগী থবকসু তৌখি। দি সী থৌবাল অহন্থেম সুভাশনা ফোঙদোকখিবদা, অথৌবশিংগী নুমীৎ অমদি ইন্দিপেন্দেন্স দেগী মাঙওইননা কমপ্লেক্স অসি লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা ঙসিগী সোসল সর্ভিস কেম্প অসি পাঙথোকপনি। কমপ্লেক্স অসিগী মনুংদা লৈরিবা ওফিস খূদিংমক্তা কেম্প অসি চথুরি হায়খি।

## য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবি সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি হায়না য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম, কৈবী সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা জুলাই ১৭তা ক্বাকৈথেল, থৌবাল, মোরে, লংথবাল, বামোন লৈকায়, তেরানচিংবা মফমশিংদগী জ যশ্রী, ময়ারানি, ইলিনা লিন্থোই, রোনিবালা, নাওবী, শ্বামি, বিতন, কোমবোই, দাইসো, মহেন্দ্র অমদি মরুপশিংনা মখোয়গী মরুপ কুমজা ২০২২গী জুন ২৭তা লৈখিদ্রবী জেনি সাইখোমবু নীংশিংবা ওইনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ৩, তিলহৌ কে জি ২০, চনম কে জি ৫, আলু কে জি ২০, মোরোক কে জি ১, ঙারি কে জি ১, মরু-মরাং, থুম, চামনানচিংবা তেংবাঙবীরম্মী। জুলাই ১৮দনা শওম্বুং থোংখোংদগী তেনসুবম জয়ন্তকুমারনা মহাক্কী লৈখিদ্রবী অপোকপী বিমোলাগী লৈখিদবগী অনীশুবা কুমওনগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৩, খুদৈ ৩ পীবীরম্মী। থৌরমসিদা য়াওবীবা খুরাই অঙোম লৈকায়দগী তেনসুম সুবদনিনা লুপা লিশিং ২ পীবীরম্মী। জুলাই ২০দনা খেৱা ফুরজদগী লৌক্রাকপম দোলেন মৈতৈ অমদি লৌক্রাকপম বন্দনা চনুগী মচানুপী রিনা লৈখিদবগী চহী ২৫ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা বিসক্কিৎ, অয়ুক্কী শীজিন্ননবা পোৎলমশিং অমদি কোক তৈননবা থাউনচিংবা পীবীরম্মী।

জুলাই ২৪দনা য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোং, ৱাঙ্গোইদগী অম্বতি য়ুম্নামনা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীরম্মী। জুলাই ২৫দনা মোইরাংখোম শৌগাইবম লৈরক্তগী লাইশ্রম তোকেন্দ্রোনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা লাইশ্রম গোগোনচান্দ সিংহগী লৈখিদবা থা ৮ শুবগী নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ১, য়েরুম প্লেৎ ২ পীবীরম্মী। জুলাই ২৬তনা পাৎশোই পার্ট টু মখা লৈকায়দগী ঙাইরাংবম প্রেমজিৎ অমদি ঙাইরাংবম সুনিতানা মখোয়গী লৈখিদ্রবা মচানুপী ঙাইরাংবম সুস্পাগী লৈখিদবা চহী ফারকপগী কুমওন নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, বিসক্কিৎ, নুদলস, চোকোপিনচিংবা পীবীরম্মী। জুলাই ২৬ নুমীৎসিমক্তদা শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী নোংমৈকাপম মেরি অমদি নোংমৈকাপম মেমচানা মখোয়গী মচানুপা এনকে জেননগী চহী ২০ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা চেঙ বেগ ১, হৱাই কে জি ১৫, মোরোক কে জি ৫ অঙাংশিংগীদমক পীবীরম্মী। জুলাই ৩১দনা হুইদ্রোম অৱাং লৈকায়দগী হুইদ্রোম নিকেলনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, বিসক্কিৎ, চিপস, কেকনচিংবা পীবীরম্মী।


ওগষ্ট ২দনা মন্ত্রিপুখ্রি রোটারিয়া ভবনগী রোটরি ক্লব ইম্ফালনা রোটরি এগবেঙ্ক প্রোজেক্টকী মখাদা হোমসিগী অঙাংশিংবু চয়োলদা য়েরুম মরি মরি থা ৬ ফংহনবগী মখাদা অহৌবা ওইনা চয়োলসিগী য়েরুম প্লেৎ ১১ পীবীরম্মী। মীয়ামগী তেংবাঙখক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোমগী অঙাংশিং, মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## অঙৌতোম্বীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেদ (এম এস সী বি)গী রিটায়র্দ দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর অমদি কন্সল্টেন্ট লাইখুরাম অঙৌতোম্বীনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবাম বোরোবেক্রাগী ব্লোক ওফিসতা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। অৱাবা ফোঙদোকপা থৌরম অদুদা মহাক্না হিংলিঙৈদা পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিংবু শীংথাখি হায়না বি এম এম য়ু জিরিবাম সী দি ব্লোক্কী ব্লোক মিসন মেনেজর দল্লিয়ু প্রেমচান্দগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ ꯁꯦꯟꯅꯕ ꯃꯇꯦꯡ

সার সুধাকরদা থাগৎ ৱাহৈ পীজরি



সুধাকর (শামু)

ঐঙোন্দা নুঙ লৈবীরকপদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই. মনাক ইম্ফালদা লৈবা মমিং লৈরবা নুঙ লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোনগা উনজবগী তাঞ্জা অমা ফংজবদা ঐ য়াম হরাউখি। ঐঙোন্দকো লৈরম্বা নুঙদুসু শুপ্নতংগী হপ্তা ১দা তাহনবীরকপনে, ঐনা য়ুরিন পাস তৌবদা। মহাক্কী থৌজাল লৈবা, ঈংবা-তপ্পা, পূকচেল চাওবা নোল্লুকপা লায়েং মখল অদুবু ঐনা অসুক্কী মতিক থাগৎপীবনে। মহাকপু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু।

Sd/- **Mr. David Thurr**
Maibung Kom, Kangpokpi District

HL-P/3595/6,7,8

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7730/9/7-9/8


ꯈꯪꯅꯕ / পেন্সন বুক অমা তাহৌরে

ঐহাক্কী পেন্সন বুক P.P.O. No. 111813472 Treasury I/E না ইস্যু তৌবা পেন্সন বুক অসি হৌখিবা তাং ২৪/৭/২০২২ দা I/E Treasury Office তা পেন্সনগী ফোটো নম্বা চৎলুরগা নম্বা লোইরগা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ বজারদা পোৎ-চৈ খরা লৈবা চৎলুই। তুংদা ইম্ফাল স্বীট হোটেলদা চা থক্লবা মতুংদা য়ুমদা হল্লকখি। য়ুম হেক য়ৌবগা ঐহাক্কী সর্ভিস পেন্সন বুক অদু মফম খঙদনা তাহৌবদগী য়াওরমদ্রে। ঐহাক্কী সর্ভিসকী পেন্সন বুক অদু হায়রিবা লম্বী অসিদা শোয়দনা তাহৌরম্লগনি। কনাগুম্বা-কনাগুম্বীশিংনা হায়রিবা পেন্সন বুক অসি খুনবীবা য়াওরগদি মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। মতিক চানা অৱামল কৎচগনি।

অদোমগী : **থৌদাম চন্দ্র সিংহ**
খুরাই কোংপাল নিংথৌবুং লৈকাই
# ৯৩৬৬০০৫৫৬৪ / ৯৩৬৬০০৫৫৬৪

HL-P/3801/7

**ꯈꯪꯅꯕꯥꯁꯦꯟ / খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোম্বা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াংদা চেখায়বা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা খোঙ হাম্বদা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হাম্নিংলগতা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হনগৎলু য়াদবা, খূৎনা ইনশিনবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী নান্থরকপা শৌজ অদুনা খূৎনা ইনশিনমন্দনা অমাংথোঙ অদু নারকপা অমদি চিক্লকপা তোয়না অমাংথোঙদা শোকপা অদুনা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নান্থবা অদু য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি হৈনদবা পোকপা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা অদু মরক-মরক্তা চিক্লকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা অমাংথোঙদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি ঈ তাবা হেনবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, কুইনা ফমজিনবা য়াদবা অমাংথোঙদা শাগৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চেখায়বা, চেখায়বা অদু ওইশিল্লু য়াদবা, হীদাক তৈরবসু, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা অমদি পূক চপ তিংখৎপা, চাবা-থকপসু য়াদবা, করিগুম্বা খজিক্তং চারবসু পূক হেক্তা কংখৎলগা চানিংদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা মচিৎ-মচিৎ হাম্বা, পূক য়েক্ল-য়েক্লগা খোঙ হেক্তা হাম্নিংবা, হাম্না চঙলুরগনা হাম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **Th. Sanatombi Devi**
Thangmeiband

HL-B/7731/7

### চেক তৌবীয়ু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা আই এল পি সিষ্টম চৎনখ্রবসু ঙসিদি মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবা অমদি ময়া য়াওদ্রবা কৈগা পাঙ্থক ওইদুনা লৈরে। টেম্পররি পর্মিট পায়দুনা চঙলকখ্রবা মতুং পাস রিন্যু তৌবা মথৌ তাই হায়বা খঙনা খঙনা রিন্যু তৌদ্রে হায়না জে সী আই এল পি এস, জিরিবাম ব্রাঞ্চকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ব্রাঞ্চ অসিগী কো-কনভিনর এম দি খৈরুদ্দিন শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মণিপুরদা আই এল পি পাস পায়দনা চঙলকখ্রবশিংনা থবক শুফম অমদি সিমেন্ট গোদাউন, চেক শাফম, হোটেলনচিংবদা লৈরিবশিংবু অমদি য়ুম ভারা শাল্লিবশিংনা কুপ্পা য়েংশিনবীয়ু। করিগুম্বা য়ুম শান্দোকপশিংনা অমদি ঠিকাদারশিংনা অরানবা থবক তৌরম্লবদি জে সী আই এল পি এসকী মায়কৈদগী চপ চানা লিগেল এক্সন লৌবগা লোয়ননা পুলিসতা শীন্নগনি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

### মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : খুদৈ খুনৌ ভিলেজগী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিং অমা হৌখিবা ওগষ্ট ৪দা পাঙথোক্তুনা খুদৈ খুনৌ ভিলেজ ওথোরিটিগী নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

খুদৈ খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হান্নগী সিটিং চেয়রমেন কোনিঙা মোফম অমদি রেকোর্দিং সেক্রেটরি দি দি কে অংরুংফমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা ওথোরিটি অসিগী নৌনা থৌ পুগদবা খনখ্রবা মীওইশিং অদুদি চেয়রমেনদা কে এন মোরুং, সেক্রেটরিদা কে এন মোদার, ট্রেজররদা দি এল মেসিল অমদি মেম্বরদা এম দি কোরুং, কে এন লৈরুং, কে এস মোরুং অমসুং কে আর কোথাংনি হায়রি।

### দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা আই সী দি এস জিরিবামগী চাইল্ড দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসর নিংথৌজম প্রঙ্গোনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী জিরিবাম চীংদোং লৈকায়দা আধার এনরোলমেন্ট দ্রাইভ চথখ্রে।

এনরোলমেন্ট দ্রাইভকী প্রোগ্রাম অদুদা সোসল ৱেলফেয়র হেদ ওফিসকী আধার এনরোলমেন্টকী ট্রেনরসু ওইরিবা হিদংময়ুম দয়ানন্দসু শরুক য়াখি। সুপরভাইজর অনীনা চথখিবা এনরোলমেন্ট প্রোগ্রাম অদুদা জিরিবাম চীংদোং লৈকায় অমদি অকোয়বগী বেনিফিসরি ৭৫ রোম এনরোলমেন্ট তৌখি। অসিগুম্বা এনরোলমেন্ট দ্রাইভ পাঙথোকপীরকপগীদমক লৈকায়গী মীয়াম অমদি বেনিফিসরিশিংনা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট অমদি আই সী দি এস জিরিবামবু থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

### এব্রেয়র্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস) : লিগেল এইদ ক্লিনিক, এব্রেয়র্নেস এন্দ কাউন্সেলিং কম্মিটি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্পোন্সরশিপ মখাদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী লো দিপার্টমেন্টনা য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী কম্প্যুটর সাইন্স দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নরগা সাইবর ক্রাইমস ইন মণিপুর হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা লিগেল এব্রেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী হান্নগী হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনগী মিনিষ্টর ওইরম্বা প্রোফেসর নিমাইচান্দ লুৱাংনা অথোইবা মীথুং, এম য়ুগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ ডা. য়ুম্নাম প্রেমানন্দনা থৌরম মপু অমদি য়াইরিপোক য়ুনিভর্সেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. কে ঐচ বুধচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।